


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, DECEMBER 22, 2018 **PAGE 7**




যুএইগী ক্লব অল এনগা শান্নদৌরিবা ফিফা ক্লব ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা ফৈগন শোকপনা মরম ওইরগা য়াওবা ভ্রোইদৌরিবা স্পেনগী ক্লব রিয়েল মাদ্রিদকী ফোরৱার্দ মার্কো এসেসিও

সাউথ অফ্রিকাগী কেপ টাউনদা শান্নখিবা টেষ্ট মেচ্চতা চথখিবা বোল টেম্পরিংদা চেনদে হায়না ফোঙদোকখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্বা ষ্টিভ স্মিথ

# অমরজিৎ সিংহগী পেনাল্টিগী পাঞ্জলনা ইন্দিয়ান এরোজনা গোকুলাম কেরলা এফসিবু ১–০ দা থোইখ্রে

Hero I-LEAGUE

*কটক, দিসেম্বর ২১ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা আই–লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা অমরজিৎ সিংহগী পেনাল্টিগী পাঞ্জলনা গোকুলাম কেরলা এফসিবু ১–০ দা থোইদুনা অনীরকশুবা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ান এরোজ অমসুং গোকুলাম কেরলানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোই বোরিস সিংহনা ফিল্ড ময়ায়দগী পুখৎলকখিবা বোল অমা টিমমেটশিং মফম চানা লৈহৌদবদগী পাঞ্জল চনশিনবা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

নাকল অমরোমদা গোকুলাম কেরলাগী শান্নরোইশিংনসু ইন্দিয়ান এরোজগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।



*ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌদুনা গোকুলাম কেরলাগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা চখুরকখিবা এটেক অমদা গোকুলামগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা টিম অসিগী শান্নরোই ব্রাজিল মচা ফিলিপ কাষ্ট্রোনা ভিক্রম সিংহদা চৎন–পথাপগী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা ইন্দিয়ান এরোজদা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঞ্জল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা লৈরবা কিক অদু মণিপুরগী শান্নরোই অমরজিৎ সিংহনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ান এরোজনা গোকুলাম কেরলাবু ১–০ দা থোইরগা পোজিসন অমা হাইগৎপা ঙমখি।

আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা চেন্নাই সিটি এফসিনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা অনীশুবা অদুগা মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফসিনা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

নেরোকা এফসিনা মখোয়গী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৩ দা পঞ্জাবগী ক্লব মিনর্ভাগা হোম মেটচ ওইনা শান্নগনি। নেরোকানা করিগুম্বা মেটচ অসি মায় পাক্লবদি পোইন্ট টেবলগী অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙল্লগনি।

# মিথালি রাজ অমসুং হর্মনপ্রিত কোরনা ওদিআই অমসুং টি–২০ গী কেপ্টেন ওইখিগনি, ভেদা দ্রোপ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১ঃ*

মিথালি রাজ অমসুং হর্মনপ্রিত কোরনা ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী ৱান দে ইন্টরনেসনেল অমসুং টি–২০গী কেপ্টেন ওইখিগনি। অদুগা ভেদা কৃষ্ণমুর্থিগী মমিং ফোর্মেট অনীমক্তগী লৌথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওদিআই অমসুং টি–২০গী স্কৱাদ অসি ঙসি সেলেক্সন পেনেলগী চীফ হেমলাতা কালানা বিসিসিআইগী সিইও রাহুল জোহরি অমসুং এক্টিং সেক্রেটরী অমিতাব চৌধারিনা শরুক য়াখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম অসিনা আইসিসি ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী শরুক অমা ওইনা মথং চহীগী জনুৱারী ২৪ দগী ন্যু জিলেন্দগা ওদিআই মেটচ ৩ শান্নগনি।



ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম অসিদা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা সেরিজ অসিনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড টি–২০গী সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দগী মখূত্তা মায়থিহৌরবা মতুং অহানবা ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী ওদিআই স্কৱাদ অদুদি– মিথালি রাজ (কেপ্টেন), পুনম রাউট, স্মৃতি মন্ধনা, জেমীমাহা রোদ্রিগেজ, হর্মনপ্রিত কোর, দিপ্তি শর্ম্মা, তানিয়া ভাটিয়া (ৱিকেটকিপ্পর), মোনা মেস্রাম, ইকটা বিষ্ট, মান্সি জোসি, দায়ালান হেমলাতা, পুনম যাদব, রাজেশ্বরী গায়াকৱাদ, ঝুলন গোস্বামী অমসুং সিখা পান্দেনি।

টি–২০ স্কৱাদতা শরুক য়ারিবশিংদি–হর্মনপ্রিত কোর (কেপ্টেন), স্মৃতি মন্ধনা (ভাইস কেপ্টেন), মিথালি রাজ, দিপ্তি শর্ম্মা, জেমীমাহ রোদ্রিগেজ, অনুজা পটিল, দায়ালান হেমলাতা, মান্সি জোসি, সিখা পান্দে, টানিয়া ভাটিয়া (ৱিকেটকিপ্পর), পুনম যাদব, ইকটা বিষ্ট, রাধা যাদব, অরুনধাতি রেদ্দি অমসুং প্রিয়া পুনিয়ানি।

# ওষ্ট্রেলিয়ান ওপননা ফার্ষ্ট–টু–১০ ফাইনেল সেট ব্রেকর্স হৌদোক্লগনি

*মেলবর্ন, দিসেম্বর ২১ঃ*

মথং চহীগী জনুৱারী ১৪ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপননা ফার্ষ্ট–টু–১০ ফাইনেল সেট ব্রেকর্স হৌদোক্লগনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন ২০১৯ দা হৌদোক্কদৌরিবা টেন্নিস মশান্না অসিগী অনৌবা চৎন–পথাপ অসিগী মতুংইন্না অরোইবা সেট অদু টাই ব্রেক শান্নরগা পোইন্ট ১০ য়ৌবা হানবা শান্নরোই অদুনা মায় পাকপা ওইগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই মমাঙগী তোঙান–তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা অরোইবা সেট থোইনবা ঙম্মদবদগী মতম চঙমন্দুনা মথংগী নুমিৎতা মখা তানা শান্নবা ফাওবা য়াওখি। অনৌবা চৎন–পথাপ অসিনা মসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসিদগী ফরগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারক্লি।

# ‘সেন্টর ওফ এক্সেলেন্সি ফোর ফুটবোল লিংবদা নুপামচা ঙাক্তগী ওইবা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে’

**এল. কালা, উরিপোক**

ইন্দিয়াগী চাওখৎ খোঙথাং মাঙলোমদা চঙশিল্লক্কবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং খরদংদা ওইরবসু লৌবা ঙমদুনা লৈরিবা মমিং লৈরবা টাটা ট্রষ্টনা মাগী ওইবা এসোসিয়েট ওর্গনাইজেশন অমা ওইরিবা সেন্টর ফোর মাইক্রোফাইনান্স এন্দ লাইভলিহুদ (সিএমএল) না নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মণিপুরদসু ফুটবোল মশান্নদা অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা অখন্নবা থৌরাং অমা ওইনা গ্রাস রুট ফুটবোল স্কুল ৩০ (কুম্ব্রা) লিংবা লোয়ননা ষ্টেট ওফ দি আর্ট সেন্টর ওফ এক্সেলেন্স ফোর ফুটবোল নুপামচা ১০০ (চাম্মা) দা লাইরিক তম্বীবা য়াওনা হাংগনি হায়বসিমক্তি য়াম্না ফবা হরাওনিংঙাইসু ওইবা থাগৎনিংঙাইসু ওইবা অচুম্বা খোঙথাংনি। লমদমসিগী ফুটবোল শান্নরোইশিংদা য়াওরিবা হৈথোই–শিংথোইবগী মগুন লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইনা নুপী, নুপা ফুটবোল শান্নরোইশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়াবু শকখঙবীদুনা লৌরকপা খোঙথাং ওইগনি। সেন্টর ফোর মাইক্রোফাইনান্স এন্দ লাইভলিহুদ অসি টাটা ট্রষ্টনা ২০০৮ দা এসোসিয়েট ওর্গনাইজেশন অমা ওইনা লিংখৎখিবনি। পান্দমদি য়াম পাক চাওখ্রবা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগী হিংবগী থাক অসি অমগা অমগা মরী লৈনহন্দুনা হেনগৎহন্নবা ফগৎহন্নবা লম্বীদা হোৎনবনি।

করিগুম্বা অফবা থবক অমা তুংগী মীরোলগীদমক অফবা থৌরাং অমা অহৌবা নাইবা অমা হৌবা হায়বসি হৌজিক হিংলিবা মীওইবা খুন্নাই অসিগী অচুম্বা অফবা খোঙথাং অমনি। অফবা খোঙথাং অমা হৌববু হৌরবদি মখা তারকপদদি হেন্না হেন্না ফগৎলক্কবা হোৎনবদি হোৎনরিবা মরী লৈনবা মতম মতমগী মীওইশিংগী মখূত্তা লৈরগদবনিনা অহৌবসিদা চেকশিন্না তুং–মাঙ য়েংদুনা হৌবা অমদি মথৌ তাই।

ইন্দিয়াগী ওইনা ফুটবোল মশান্না হৈবগী থাক হেনগৎনবগী মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরিবা অসিদা টাটা ট্রষ্টনসু শরুক য়াদুনা চঙশিল্লক্লিবা অসিদা ইন্দিপেন্টেন্ট বোদি অমা ওইনা মতোমতনা পাঙথোকপা য়াদবনিনা ষ্টেট লৈঙাক্কা এমওয়ু খূৎয়েক পীন্নবা হায়বসিমদি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। অদুবু মতাং স্বাইদা মখা তারকপদা মাইক্রোফাইনান্স এন্দ লাইভলিহুদনা কনা কনাগা কো–ওপরেট ওইনা পুন্না চৎমিন্নগনি হায়বা অমা থোরক্কনি, মসিনি য়াম্না চেকশিনবা ওইনা মথৌ তারক্লিবসি। অহানবদা স্কুল লিংগদবনিনা লমদমসিগী ইদুকেসন দিপার্টমেন্টকা মরী লৈনদবা য়ারোই। অনৌবা লিংববু ওইরবসু নৎত্রগা হান্ননা লৈরবা স্কুলদবু হাপচিনবা ওইরবসু গ্রাস রুট লেবেলদগী হৌগদবনি হায়রিবনিনা প্রাইমারী স্কুলদা মীৎয়েং থমদবা য়ারোই। মতাং স্বাইদসু লায়না লৌবা য়াদবা ৱাফম অমা থোরক্কনি। হৌজিক–হৌজিক লমদমসিগী লৈঙাক্কী ওইনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা প্রাইমারী স্কুলশিং অসি সরবা শিক্ষা অভিয়ান (এসএসএ) স্কিমগী মখাদা লেম্না চাক পীজবা, লেম্না লাইরিক পীবা, তমহনবা, লেম্না স্কুল য়ুনিফোর্ম পীবা, লাইরিক খাও পীবা, মতম মতমগী লেম্না লাইয়েংবা চেকঅপ তৌবা খুদোংচাবা ময়াম অমা লেম্না লৈঙাক্না হোৎনরিবসিদা লৈঙাক্কী ওইনা লৈরিবা ওজা খুন্নাইসিদা (থাকসিগী ওইবা) থাজবা মাঙবদগী অহল লমন, মমা–মপা ওইবশিংনা লৈঙাক্কী স্কুলদা লাইরিক তম্বা থাদবনা মহৈরোই লৈতবগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা থোক্তুনা মাঙদা তাদুনা লৈরিবসিদা ফুটবোল তম্বীগনি লাইরিকসু তম্বীগনি হায়বসিদা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোই থারক্কদ্রা থারক্লোইদ্রা হায়বসিনি। নাকল অমরোমদা ফুটবোল শান্নবগী টেলেন্ট লৈবা অঙাং থিবা হায়বনিনা ইয়াদা য়াই হায়না প্রাইভেট স্কুলদা মীৎয়েং থল্লগনা লৈঙাক অমা ওইনা লৈনা লৈনা লৈঙাক্কী ওইবা স্কুলদা মীৎয়েং থমদবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং ওইগদ্রা ? স্কুলগী মথৌ তারকপা মতাং স্বাইদা থবক থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌদ্রিঙৈদা অখঙ–অহৈ ময়া অমা মোৎ লৌদুনা তান্নহৌবা চুমগনি।

অনীশুবদা শান্নবগী ওইবনিনা লৈঙাক্কী ওইবা য়ুঠ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌরবসু মহৌশাদগী লমদমসিগী ফুটবোল শান্নরোইশিংবু গ্রাস রুট লেবেলদগী কৎথোকপা কয়াগা লোয়ননা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমসি য়ৌনফাওবদা পুখৎলক্লিবা লোকেল ফুটবোল ক্লবশিং, ওর্গনাইজেশন, এসোসিয়েশন, ময়াম অসি খন্ন–নৈন্নরকপা মতমদা কাওথোকপা চুল্লোই লোয়ননা মশান্নসিবু লমদমসিগী ওইনা মমায় চুল্লীবা এপেক্স বোদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) লাপথোক্লবা য়ারোই, দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েশন মপাঙ্গল কনখৎহন্দবা য়ারোই।

নাকল অমরোমদা অঙাংশিং মরাং কায়না লৈরে হায়রবসু ট্রেনিং ইক্যুপমেন্ট, ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈরে হায়রগসু মরী লৈনবা হিরম খুদিংগী এক্সপার্ট রিছোর্স পারসন লোয়ননা প্রোফেসনেল ফুটবোল্লর অমগী থাক ফাওবা য়ৌনা তম্বীরক্কদৌরিবা কোচ ময়াম অসিসু খ্বাইদগী মরুওইবনি। পূম্নমকসি হৌবদগী হৌনা মওং মরিল অমা তানা চৎপা ঙম্নবা লম্বী অমা চুম্না শেমহৌদ্রবদি হোৎনরিবা ময়াম অসি অরেম্বা তাগনি, মহৈ চাবা ফংলোই। ২০২৬, ফিফা ৱাল্ড কপ্তা এসিয়া ফুটবোল কনফেদেরেশনদগী লৈবাক নিপান খনগৎতুনা য়াওবা য়াবগী খুদোংচাবসি য়েংলগা ইন্দিয়া এএফসি রেঙ্কিংদা হৌজিক ১০গী মনুং চন্দ্রবসু কন্না হোৎনরবদি ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমগনি হায়বা মঙলানসি মঙফাওনবা হোৎনরিবসিদা মণিপুরসু অচৌবা মফম অমা কন্নবা হোৎনরিবা পূম্নমক অরেম্বা তাখিদনবা মরী লৈনবা পূম্নমক্না পুকচেল শেংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা য়াম্না ইনরজেটিক লৈনা চেনবা চোংবা অমা চঙলি চিন্দা হায়বা ঙাংবা নৎতবদা।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা সেন্টর ওফ এক্সেলেন্সি ফোর ফুটবোল লিংগদৌরিবা অসিদা নুপামচা ঙাক্তা ১০০ (চাম্মা) থমদুনা খুদোংচাবা পীগদৌরিবা অসিমদি অচুম্বা খোঙথাং নৎতে। ইন্দিয়া নুপী ফুটবোল ফিফা রেঙ্কিংদা ৬০গী মনুংদা অকা অকুম তৌদুনা লৈরিবসি মণিপুরগী নুপী শান্নরোইনা খ্বাইদগী য়াম্না শান্নদুনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লৈরিবসিদা লমদমসিদা ফুটবোলগী হোৎনরকপা মতমদা খঙনা খঙনা নুপামচা খক্তদা মীৎয়েং থল্লিবসি খরা হন্দোক্লগা নুপীমচা নুপামচা ৫০ / ৫০ থমদুনা হোৎনহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। ৱার্ল্ড ক্লাসকী ফুটবোল শান্নরোই পুথোকপদা থল্লিবা পান্দম অসি য়ৌনবা হোৎনবদা থবক থৌরম খূদিংমক অরাইবা অমত্তদি ওইরোইদৌরি।

| ক্রোসৱার্দ ১৯কী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | L | A | N | T | | B | O | I | L | | I | R | A | N |
| H | E | R | O | N | | A | N | N | E | | L | E | N | O |
| A | G | E | N | T | | L | E | G | I | S | L | A | T | E |
| D | A | N | S | | F | E | A | R | | A | N | D | E | S |
| E | L | A | T | E | D | | L | E | D | G | E | | | |
| | | | O | A | R | S | | D | E | S | S | E | R | T |
| C | R | E | P | T | | A | S | I | A | | S | L | E | W |
| R | A | W | | S | I | N | C | E | R | E | | L | E | O |
| A | R | E | A | | R | A | I | N | | D | E | E | D | S |
| B | E | S | T | M | A | N | | T | E | E | M | | | |
| | | | T | E | S | T | S | | E | N | A | C | T | S |
| C | A | M | E | L | | O | P | E | N | | N | O | A | H |
| A | B | A | N | D | O | N | E | D | | H | A | L | L | E |
| S | L | I | D | | R | I | N | G | | S | T | O | O | D |
| H | E | N | S | | B | O | D | Y | | T | E | R | N | S |


**Reena Physiotherapy Clinic**

*YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST*

Treatments
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

Instruments
- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি।

Sunday Open 8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours 8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

*Please Contact:*
Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)
Phone No. 9774980552 / 8974282395

SL/BILL/All/30 Days upto 20 Dec 18


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.930/SDC/IW(K) /2018

1. Kayenpaibam Ranjit Singh S/o (L) Natho Singh of Moidangpok Mayai Leikai
2. -do- Jiban Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Kumar Singh S/o (L) Chaoba Singh of -do-
4. -do- Nabachandra Singh S/o (L) -do- of -do-

Petitioners

-Vs-

Late Kayenpaibam Chaoba Singh S/o (L) Natek Singh of Moidangpok

O.P.Party

**NOTICE**

The 20/12/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নং Kayenpaibam Chaoba Singh পীং মৃঃ Natek Singh সাং Moidangpok গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 81- Moidangpok গী অনৌবা পট্টা নং 85 (New) দাগ নং 2070 অমসুং এরিয়ানা 0.1325+ 0.1325+.265 acre= .53 চাওবা Ingkhol অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/4263(A)/22

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.694/SDC/IW(K) /2018

1. Khaidem Sharat Singh S/o (L) Ibopishak Singh of Kangmong Maisnam Maning Leikai.
2. Khaidem Sanjit Singh S/o (L) Ibopishak Singh of Kangmong Maisnam Maning Leikai

Petitioners

-Vs-

Late Khaidem (O) Manglembi Devi W/o Ibopishak Singh of Kangmong Maisnam.

O.P.Party

**NOTICE**

The 20/12/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নং Khaidem (O) Manglembi Devi পীং মৃঃ Ibopishak Singh সাং Kangmong Maisnam গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 90-Kangmong গী অনৌবা পট্টা নং 98 / 646 (New) দাগ নং 1383 অমসুং এরিয়ানা .44 acre চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/4263(C)/22

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.929/SDC/IW(K) /2018

Ayekpam (N) Ruhini Devi W/o Akoijam Bijoy Singh of Sagolband Sapam Leikai.

Petitioner

-Vs-

Late Akoijam Udhop Singh S/o (L) Ningthoujao Singh of Sagolband Sapam Leikai.

O.P.Party

**NOTICE**

The 20/12/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নং Akoijam Udhop Singh পীং মৃঃ Ningthoujao Singh সাং Sagolband Sapam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 87- Top- Khabi গী অনৌবা পট্টা নং 27 (New) দাগ নং 254 অমসুং এরিয়ানা 1.89 acre চাওবা Taothbi লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/4263(B)/22

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST, Konthoujam

Ref. : Mutation Case No.936/SDC/IW(K) /2018

Konthoujam Sarat Singh S/o (L) Guramani Singh of Konthoujam Awang Leikai

Petitioner

-Vs-

Late Konthoujam Manglemjao Singh S/o (L) Bira Singh of Konthoujam.

O.P.Party

**NOTICE**

The 20/12/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নং Konthoujam Manglemjao Singh পীং মৃঃ Bira Singh সাং Konthoujam গী মিংদা লৈবা Imphal West তহসিলগী খুল নং 86-Konthoujam গী অনৌবা পট্টা নং 329 (New) দাগ নং 325 অমসুং এরিয়ানা .31 acre চাওবা Anganphou লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Konthoujam

SL/4263(D)/22